অনীশুবা দিভিজন লীগ ঃ

নেরোকানা লোনষ্টার কাশ্মীরবু মায়থীবা পীদুনা আই লীগতা চঙবা মণিপুরগী অহানবা ক্লব ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ :

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টিম তরুক্লা শরুক য়াদুনা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দগী শরুক অমা ওইনা ঙসি শ্রীনগরদা শান্নখিবা নেরোকা এফ সীগী অৱে মেচতা লোনষ্টার কাশ্মীরবু ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা আই লীগতা চঙবা মণিপুরগী অহানবা ক্লব ওইখ্রে।

নেরোকাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টিমগী ষ্ট্রাইকর নাইজেরিয়াগী ফেলিক্স ওদিলি চিদিনা গোল অহুম চদুনা হেটট্রিক ফংখি অমদি ফোরৱার্দ সুভাস সিংহনা গোল অমা চনখি।

সেকেন্দ দিভিজন লীগ মেচ অসি হৌখিবা এপ্রিল ৭ তগী চথবা হৌরকখিবনি। তোঙান তোঙানবা হোম ভেন্যু তরুক্তা টিম তরুক্লা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা শান্নখিবনি।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা নেরোকানা লীগ অসিদা ফংখিবা অপূনবা মেচমাপনদা মেচ তরেৎনা মায় পাকখিবা, মেচ অনীনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২৩ ফংলগা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা মাঙজিল থানা লৈখিদুনা লীগকীটাইটল লৌখি।

কোলকটাগী সাউর্দন সমিটিনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ মঙা মায় পাকপা, মেচ অনীনা দ্রো চৎপা অদুগা মেচ অনীনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১৭ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈখি।

দেল্লি য়ুনাইটেদনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা, মেচ অহুম দ্রো চৎপা অমদি মেচ অহুমনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১২ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। ফটেহ হায়দ্রবাদ এ এফ সীনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ অনীনা মায় পাকপা, মেচ মরিনা দ্রো চৎপা অমদি মেচ অহুমনা মায়থীখিদুনা অপূনবা পোইন্ট তরা ফংদুনা মরিশুবদা লৈখি।

লোনষ্টার কাশ্মীর ফুটবোল ক্লবনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকপা মেচ অহুম্না দ্রো চৎপা, মেচ মঙানা মায়থীদুনা পোইন্ট তরুক ফংলগা মঙাশুবদা অদুগা কেনক্রে এফ সী মুম্বাইনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকপা, মেচ অনীনা দ্রো চৎপা অমদি মেচ তরুক্লা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট মঙা ফংদুনা তরুকশুবদা লৈখি।

আই লীগতা চঙখ্রবা নেরোকানা চহী ৫২ গী মতুংদা অহানবা ওইনা মথংগী সিজনগী আই লীগতা শান্নবা য়াওরগনি অমদি মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফুটবোলগী লেভেলদা মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা অহানবা টিমসু ওইরে।

পনবা য়াই, হন্দক্তা লোইশিনখিবা আই লীগতা অৱাং নোংপোক লমদমদগী এফ সী আইজোলনা টাইটল লৌদুনা লমদম অসিগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী তৌবা ঙম্বা অদু উৎপা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজনগী মেচতসু নেরোকানা লোনষ্টার কাশ্মীরবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবা অসিদা অৱাং নোংপোম লমদমবু অমুক্কা হেন্না লৈবাক অসিগী ফুটবোলবু পামজবা মীওইশিংদা মশক তাকপা ঙমখ্রে।

নেরোকানা লীগ অসিদা শান্নরকখিবদা অমুক্তা ফাওবা মায়থীবা য়াওদনা চঙশিল্লকখিবনি। নেরোকানা মেচ ৯ ফংখিবদা মেচ তরেৎ মায় পাকখি অদুগা মেচ অনীনা দ্রো চৎখি।

সিজন অসিদা নেরোকা টিমদা জপানদগী হৌরকখিবা ইন্দিয়াগী মীদফিল্ডর অরাটা ইজুমি অমসুং হান্নগী বেঙ্গলুরু এফ সীদা শান্নরম্বা মালেমঙানবা মীতৈ য়াওরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুসল দাসনা নেরোকানা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী টাইটল লৌবা ঙমখিবদা হরাউ তরাম্বা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, আইজোল এফ সীনা আই লীগকী টাইটল লৌখ্রবা মতুং অতোপ্পা অৱাং নোংপোক লমদমগী টিম অমা ওইরিবা নেরোকানা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অসিনা লমদম অসিগী অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমখ্রে।

ঐনা মখোয়গী মায় পাকপা অদুবু থৌগৎলি অমদি হোংলক্লিবা অনৌবা রিভোলুসন অমা মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা অসিদা থাগৎলি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গীফ রাই খান্না কোচ ওইরিবা নেরোকা টিমনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মখোয়গা মায়োক্লখিবা টিমনা গোল অহুমখক্তমক চনশিনবা ঙমখিবনি।

লাক্লিবা মে ২৮ দা নেরোকানা য়ুম্বু ওইদুনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা সেকেন্দ দিভিজনগী প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না হায়রিবা প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম অসি ফেদরেসন অসিনা শিনগনি। মসিদা মখোয়গী টোপ ওফিসিএলশিং, মার্কেটিং পার্টনর আই এম জি রিলাইন্সসু শরুক য়াগনি।

লীগ অসিগী টোপ টিম ওইরিবা নেরোকা অমদি কোলকটাগী সাউর্দন সমিটি অনীনা নুমিৎ অসিগী পুং ২.৩০ তাবা মতমদা অরোইবা রাউন্দ মেচ শান্নগনি।

FINAL ROUND

Team Name	Pts	Pld	W	D	L	GF	GA	GD
NEROCA FC	23	9	7	2	0	19	3	16
Southern Samity	17	9	5	2	2	15	11	4
DELHI UNITED	12	9	3	3	3	12	16	-4
Fateh Hyderabad AFC	10	9	2	4	3	6	8	-2
LoneStar Kashmir Football Club	6	9	1	3	5	8	13	-5
Kenkre FC	5	9	1	2	6	8	17	-9

সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঃ

এস টি টি (এ) সেক্তানা বোলেরো সেক্তাবু, সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌনা ৱাই এম সী হরাওরৌবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে২২ :

ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব তেলৌগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ট্রোফি লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন’স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কম্মিটি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস টি টি (এ) সেক্তানা বোলেরো সেক্তাবু ১-০ দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌনা ৱাই এম সী হরাওরৌবু কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা গোল ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস টি টি (এ) সেক্তা অমদি বোলেরো সেক্তা অনীনা শান্নরকখি।

টিম অনীনা হৈবা মান্ননা অকনবা মওংদা তকখৎনরকখিবা মেচ অদুদা এস টি টি (এ) সেক্তানা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্লখিবা বোলেরো সেক্তাগী মায়োক্তা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৩ চৎপা মতমদা থোইনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

বোলেরো সেক্তাসু মায়োক্লখিবা সাইদতা কাউন্টর এটেক তৌদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক হোৎনরকখি অদুবু গোল চনবদি ঙমখিদে। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা বোলেরো সেক্তানা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা শোথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না মমাঙগী হাফতা শান্নখিবদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্লখিবা সাইদশিংদা গোল চন্নবগীদমক তকখৎনখ্রবসু চনবদি ঙমখিদে।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোলশিং চনবা ঙম্নখিদবদগী বোলেরো সেক্তানা এস টি টি (এ) সেক্তাগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা এস টি টি (এ) সেক্তাগী বিজেনবু রেফ্রিনা মেচকী মিনিট ২৯ চৎপা মতমদা কোসন পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ অমদি ৱাই এম সী হরাওরৌ অনীনা শান্নরকখি। মেচ হেক হৌখিবগা টিম অনীনা গোল চন্নবা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি।

টিম অনীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা সাইদশিংদা গোল চন্নবগীদমক চঙশিনখ্রবসু অহানবা হাফ ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না হনবা লৈতনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা সাইদতা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। ৱাই এম সীনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা ইতোম্বনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ৱাই এম সীনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা সঞ্জিৎনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোলশিং চনবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো চৎখি। তুংদা কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা চথখি। মদুদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌগী সঞ্জিৎ, মনিসনা, শান্তা অমদি মাইঙৌনা গোলশিং চনখিদুনা ৱাই এম সীবু ৫-৪ দা মায়থীবা পীখি। ৱাই এম সীগী মহেস, নরেন্দ্র অমদি রূপচন্দ্রনা গোল চনখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২২ :

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার থৌবালগী মিৎয়েং মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাগী অহানবা চয়োলদা চহী ১৪ অমদি ১৭ মখাগী অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা থৱায় য়াওবা স্কুলশিংনা মথৌ তাবা চেচাংশিং লৌদুনা জুন ২ ফাওবদা মেনশিল্লবা ফোর্মশিং অদু পীশিনগদবনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদগী খনগৎলবা টিমনা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেভেল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগনি হায়রি।

ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসনঃ

অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ : মণিপুর রাইফল এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জ কমপ্লেক্সতা শুটর নুপা ১২০ অমদি নুপী ৫৬ পূন্না শুটর ১৭৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৭ শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৭ কী ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্তর ফায়র পিষ্টল চেম্পিয়নশিপকী মিটর ২৫ গী মেন ইন্দিভিজুএলদা অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থমখ্রে।

নুমিৎ নিপান্নি চুপ্পা চৎথগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুনিট মঙাদগী অপূনবা নুপা নুপী শুটর ১৭৬ না লম্বানদুনা অথোই অহেন তান্নরি।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারিবা য়ুনিটশিং অদুদি বি এস আই এস সীগী শুটর নুপা ১৮, নুপী ১৮ পূন্না ৩৬, আই ঈ দি আর এগী শুটর নুপা ৩৮, নুপী ৯ পূন্না ৪৭, আই দব্লিয়ু দি আর এগী শুটর নুপা ৩৪, নুপী ১২ পূন্না ৪৬, জে এস আর ও এফ আই পি এসকী শুটর নুপা ২৫, নুপী ১৪ পূন্না ৩৯ অমদি এম আর এগী শুটর নুপা ৫, নুপী ৩ পূন্না ৮ নি।

কম্পিটিসন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্তর ফায়র পিষ্টল চেম্পিয়নশিপকী মিটর ২৫ গী জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএলদা আই দব্লিয়ু দি আর এগী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অহানবা সেরিজদা ৯৩, অনীশুবা সেরিজদা ৪৬, অহুমশুবা সেরিজদা ৯১ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৪৬ কাপ্পুনা পূন্না ২৭৬ কাপখিদুনা ন্যু ষ্টেট রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংখি। হান্না এম সটিস শর্ম্মনা ২৩৭ কাপ্পুনা থম্লম্বা রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

আই এস আর ওফ আই পি এসকী জুপিটর অসেমসু হান্নগী রেকোর্দ থুগাইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি। মহাক্না অহানবা সেরিজদা ৯১, অনীশুবা সেরিজদা ৪৬, অহুমশুবা সেরিজদা ৭৭ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৩৩ পূন্না ২৪৭ কাপ্পুনা শিলভর মেদল ফংখি। আই দব্লিয়ু দি আর এগী জেক্সন লোংজম্না অহানবা সেরিজদা ৪৬, অনীশুবা সেরিজদা ৪১, অহুমশুবা সেরিজদা ৭৪ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৩৪ কাপ্পুনা পূন্না ২৩৫ কাপখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

আই ঈ দি আর এগী খাগেম্বা লৌক্রাকপম্না অহানবা সেরিজদা ৪৭, অনীশুবা সেরিজদা ২১, অহুমশুবা সেরিজদা ৭৫ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৩৫ পূন্না ১৭৯ কাপ্পুনা মরিশুবা তাখি।

ইভেন্ট অসিমক্কী মেন ইন্দিভিজুএলদা আই দব্লিয়ু দি আর এগী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অহানবা সেরিজদা ৯৩, অনীশুবা সেরিজদা ৪৬, অহুমশুবা সেরিজদা ৯১ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৪৬ কাপ্পুনা অপূনবা ২৭৬ কাপখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মমাঙদা জি শ্যামকন্হাই শর্ম্মনা ২৭৭ কাপ্পুনা রেকোর্দ থমখিবা অদু থুগাইবা ঙমখিদে। আই এস আর ওফ আই পি এসকী জুপিটর অসেম্না অহানবা সেরিজদা ৯১, অনীশুবা সেরিজদা ৪৬, অহুমশুবা সেরিজদা ৭৭ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৩৩ কাপ্পুনা অপূনবা ২৪৭ কাপখিদুনা শিলভর মেদল ফংখি।

আই ঈ দি আর এগী য়ুমখাম রোহোসোনা অহানবা সেরিজদা৭০, অনীশুবা সেরিজদা ৩৭, অহুমশুবা সেরিজদা ৮৯ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৪৪ কাপ্পুনা অপূনবা ২৪০ কাপখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। আই দব্লিয়ু দি আর এগী জেক্সন লোংজম্না অহানবা সেরিজদা ৫৬, অনীশুবা সেরিজদা ৪১, অহুমশুবা সেরিজদা ৭৪ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৩৪ পূন্না ৩৫৫ কাপ্পুনা মরিশুবা পোজিসন, আই ঈ দি আর এগী গুরুময়ুম য়াইমা শর্ম্মনা অহানবা সেরিজদা ৭৫, অনীশুবা সেরিজদা ৪৬, অহুমশুবা সেরিজদা ৭১ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৪০ পূন্না ২৩২ কাপ্পুনা মঙাশুবা পোজিসন, আই ঈ দি আর এগী খাগেম্বা লৌক্রাকপম্না অহানবা সেরিজদা ৪৭, অনীশুবা সেরিজদা ২১, অহুমশুবা সেরিজদা ৭৬ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৩৫ কাপ্পুনা পূন্না ১৭৯ কাপখিদুনা তরুকশুবা পোজিসন, আই ঈ দি আর এগী লৈহাওরুংবম লক্ষ্মিকান্তনা অহানবা সেরিজদা ৬০, অনীশুবা সেরিজদা ২৫, অহুমশুবা সেরিজদা ৭০ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ২৬ পূন্না ১৭৯ কাপ্পুনা তরেৎশুবা পোজিসন অমসুং আই ঈ দি আর এগী অসেম কেনেদি সিংহনা অহানবা সেরিজদা ৭০, অনীশুবা সেরিজদা ৩১, অহুমশুবা সেরিজদা ০ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৩১ পূন্না ১৩২ কাপ্পুনা নিপানশুবা পোজিসন তাখি।

তরাশুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৭

কে পি এফ সীনা পার্ট টুবু মায়থীবা পীখ্রে, ৱাই এ দি এ অমসুং টি ৱাই দি এনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ : লোক্তাক পৱার ষ্টেসন, মণিপুরগী স্পোন্সর মখাদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) মোইরাংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা তরা শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা কে পি এফ সীনা পার্ট টুবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই এ দি এ অমদি টি ৱাই দি এ অনীনা দ্রো চৎখি।

অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা পার্ট টু অমদি কে পি এফ সী অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টিম অনীনা মেচ হেক হৌখিবগা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিন্নখি।

কে পি এফ সীনা মায়োক্লখিবা পার্ট টুগী মায়কৈদা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা রোমেসনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। পার্ট টুসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক মায়োক্লখিবা কে পি এফ সীগী মায়কৈদা তকখৎখ্রবসু গোল চনবা ঙমদনা অহানবা হাফ ফাওবদা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না অমনা অমগী মফমদা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নরকখি। পার্ট টুসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক কে পি এফ সীগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। কে পি এফ সীসু অহেনবা গোল চন্দুনা মার্জিন ৱাংনা মায় পাক্লনবা মায়োক্লখিবা পার্ট টুগী সাইদতা গোল এটেম্পশিং তৌদুনা তকখৎলকখি অদুবু গোল চনবা ঙমদনা লৈখি।

টিম অনীনা মেচ লোইগদবা অরোইবা পুংজা ফাওবদা এটেকশিং তৌনখ্রবসু অহেনবা গোল অমদি ইক্বেলাইজ ওইগদবা গোল অমত্তা চনবা ঙম্নদবদগী পার্ট টুনা কে পি এফ সীগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা কে পি এফ সীগী জেল কোনবু মেচকী মিনিট ১৬ অমদি পার্ট টুগী বেন জোনসনবু মেচকী মিনিট ৪৫ অমদি এন মোচাবু মেচকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক কোসন পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই এ দি এ অমদি টি ৱাই দি এ অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নরকখিবা মেচ অদুদা গোল চন্নবা এটেম্পশিং তৌনবদি তোকখিদে। টি ৱাই দি এনা মায়োক্লখিবা ৱাই দি এগী সাইদতা এটেক তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।

ৱাই দি এসু কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি অদুবু গোল চনবদি ঙমখিদে। টিম অনীনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না হৈশিংবা মান্ননা অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টি ৱাই দি এনা ৱাই এ দি এগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা বোবো পানমৈনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

টি ৱাই দি এনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা ৱাই এ দি এনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা মোটিলালনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীনা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো চৎখি।

দি এস এ ককচীংগী ট্রাইএল কম সেলেক্সন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ২২ :

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শিন্দুনা লাক্লিবা জুন ১৯ দগী খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১ শুবা সব জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ তা শরুক য়াগদবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী প্লেয়রশিং খনগৎনবগী ট্রাইএল কম সেলেক্সন অমা জুন ১ দগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা ট্রাইএল কম সেলেক্সন অসিগীদমক এসোসিএসন অসিগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা ক্লব, ওর্গেনাইজেসন অমদি এসোসিএসন্না মখোয় মখোয়গী শান্নরোয় ১০/১০ থারক্কদবনি। শান্নরোয়শিং অসি কুমজা ২০০৩ গী জান্যুৱারী ১ অমদি কুমজা ২০০৪ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপশিং ওইগদবনি।

ট্রাইএল সেলেক্সন অসি অয়ূক্কী পুং ৭.৩০ তাবা মতমদগী দি এস এ ককচীংগী প্লেগ্রাউন্দদা চৎথগনি। ট্রাইএল সেলেক্সন লাকপা মতমদা শান্নরোয়শিংনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল/নগর পঞ্চায়েটনা পীবা ওরিজিনেল দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেট, ওরিজিনেল অধার কার্দ, ওরিজিনেল স্কুল রিদিং সার্টিফিকেট অমদি পাসপোর্ট সাইজ অনীগা লোয়নরক্কদবনি।

শান্নরোয়শিংনা ট্রাইএল নুমিৎশিংগী অয়ূক্কী পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচীংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

রিন্যুএল তৌদবা ক্লবশিংগী প্লেয়রশিংনা ট্রাইএল য়াওবা য়ারোই। ট্রাইএল লাকপা মতমদা ক্লবকী লেট্টর হেদতা ট্রাইএল য়াওগদবা প্লেয়রশিংগী মীং ইদুনা সেক্রেটরি নৎত্রগা প্রসিদেন্টগী খুৎয়েক পীরক্কদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোক্লকপা চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


LAI GI MACHA MAYAM
ILLUSTRATION DEVKR LAISHRAM
STORY BABU IRENGBA
নোংমা নোংমা হৌখিবনা নুপীদো থাবুম তরা শুরক্লে।
থবক শুরগতা লৈজবা মাগী নিপাদা নুপীদুনা তত্তনা অসুম্না হায়জৈ।
নিপা ঐসে ইকুম ইথা শুরক্লবনি। হৌজিক হোরেন খঙদ্রবনি অদুনা থবক চৎলবসু হৌজিক্তি ঙন্না ঙন্না হনবীরকউকো।
মাগী নুপীগী তত্তনা হায়বা ৱাদুদা নুপাদুনা খুন্মকই।
হোইদা হোইদা ঐনা হেন্না খঙইদা।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com